# শান্নরোয়না পোলিটিক্স য়াওরকপা

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

শান্ন-খোৎনবদা মমীং চৎপা মীওই কয়ামুক লৈবাক মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা লৈবাক ঙাকপদা শরুক য়াদুনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা কয়ামুক য়াওরি। মখোয়গী মনুংদা লৈবাক অমগী মপু ওইরিবা হায়বদি হেদ ওফ দি ষ্টেট খুদম ওইনা প্রসিদেন্টকী ফম পায়রিবশিং, প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবশিং নৎত্রগা মন্ত্রি ওইরিবা মীওই কয়ামুক য়াওরি। ময়াম অসিদা মণিপুরগী থোইদোক হেন্দোক্লা ফুটবোল শান্নবদা মমিং চৎলবা অমদি লমদম অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা উখুলদগী য়ংমাসো সৈজাসু য়াওরি। মহাক ইম্ফালগী জোনষ্টোন স্কুল অমসুং শিল্লোংদা মহৈ তম্লকপা মরম্না ফুটবোল নিংথিনা শান্নবা হৈরম্মী। মসিগী মথক্তা কোলকট্টাগী স্কোটিশ চর্চ কোলেজদা মখা তমথরকপনা মশান্না অসি মপূং ফানা শান্নবা হৈবা নুপা অমা ওইরম্মী। মহাক্না কোলকট্টাদগী গ্রেজুয়েট ওইদুনা ইম্ফালদা থোরকপা মতম কুমজা ১৯৪৬তা এক্সত্রা এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর/সর্কল ওফিসরগী ফম অমা পায়দুনা বৃটিশ লৈঙাক্কী থবক তৌহনখি। মথংগী কুমজা ১৯৪৭তা শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী টিম্না অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবগী টিমদা য়ংমাসো সৈজাসু য়াওখি। মণিপুর অমদি শিল্লোংগা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা পাঞ্জল মান্নখি। অদুবু মথংগী নুমিত্তা অমুক হন্না শান্নবদা মণিপুরনা ১-০দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। অহল অমনা হায়বদি য়ংমাসো সৈজানা টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়ারুনবা ছুটি হান্না লৌহৌদবা মরম্না ইম্ফাল থাদোক্তুনা চৎকদবা নুমিৎ অদুদা মহাক্কী ছুটি লৌনবা হোৎনবদা মতম হৌখিদুনা ইম্ফাল দিমাপুর বস অদু থেংনা থাখি।

মহাক্কী মখা তারকপদা হৌজিক ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা শ্রী নোংথোম্বম বিরেনসু ফুটবোলগী মমিং লৈবা শান্নরোয়নি। মহাক্না বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) তা থবক তৌরিঙৈদা ফোর্স অসিগী শান্নরোয় অমা ওইনা ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা মরুওইবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াখি। বি এস এফনা মালেমদা খ্বাইদগী লীরবা হায়বদি কুইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ন্যু দিল্লিগী দুরান কপ্তা চহী খুদিংগী শরুক য়াবদা মহাকসু টিমগী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়াখি। মহাক্কী মতমদা টিম অসিনা চেম্পিয়ন ওইবা য়াওরি। টিম অসিনা কুমজা ১৯৬৮, ১৯৭১, ১৯৭৩, ১৯৭৫, ১৯৭৬, ১৯৮১, ১৯৮৮দা দুরান কপকী মপু ওইখি। নোংথোম্বম বিরেন অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লবশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা নেরোকা ফুটবোল ক্লবকী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরম্মী। হৌজিক ক্লব অসিগী মরুওইবা সিম্পেথাইজর অমা ওইরি অমদি টিম অসি লৈবাক অসিদা মমিং চৎপা প্রোফেসনেল ফুটবোল ক্লব অমা ওইরে। ক্লব অসিনা কুমজা ২০১৫-১৬কী সিজন দা আই লীগকী সেকেন্দ দিভিজন্দা অহানবা ওইনা শরুক য়াখি অমদি কুমজা ২০১৬-১৭তা আই লীগকী সেকেন্দ দিভিজন্দা মায় পাক্তুনা আই লীগতা হাইগৎপা, কাখৎপা ঙমখি। ক্লব অসি দুরান কপকী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা অৱাং নোংপোক্কী টিমনি।

পাকিষ্টানগী ক্রিকেট কেপ্তেন ওইরম্বা ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী দিগ্রী পায়রিবা ইম্রান খাননা পাকিষ্টানগী মীখলদা মহাক্কী পার্টি লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা অসিনা পাকিষ্টান্দা অনৌবা য়াওল অমা লাক্লবনি হায়না লৈবাক মীয়াম্না খঙনরি। ক্রিকেট শান্নবদগী হেক পোথাখিবগা মহাক লৈবাক অসিগী লৈঙাক্তা মীৎয়েং থমখি। ইংলেন্দগী ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা কেবল কোলেজ দা ফিলোসোফি, পোলিটিক্স অমসুং ইকোনোমিক্সতা দিগ্রী ফংদুনা মালেমগী মমিং চৎলবা মীওইশিং হায়বদি ম্যান্মারগী ওং সান সু চি, বৃটিশ-অমেরিকান মচা লাইরিক ইবদা নোবেল প্রাইজ ফংখিবা খৃষ্টোফর হিটচেন অমদি বৃটিশকী প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা হারোল্ড ৱিলসন, ইদৱার্দ হিদ, দেভি কেমরুন অমদি ইম্রান খাননচিংবা তম্লকখিবগা লোয়ননা ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী শান্নরোয় ওইখি অমদি মতুংদা ৱোরফেষ্টরসিয়ার হায়বা কাউটি অদুগী শান্নখি। লাইরিক তম্বা লোইরবা মতুং কুমজা ১৯৭৬তগী কুমজা ১৯৯২ ফাওবা পাকিষ্টান টিমগী ওইনা খনগৎপা শান্নরোয় ওইখি। অকোনবগী চহী ১০ হায়বদি কুমজা ১৯৮২দগী ১৯৯২ ফাওবা কেপ্তেন ওইখি। মহাক্কী লুচিং মখাদা পাকিষ্টান্না কুমজা ১৯৯২দা ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপকী মপু ওইবা ঙমখি। মহাক পাকিষ্টানগী মায় পাকপা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অমনি। অদুবু মহাক্না লিক্লি মখুম অমনা ক্রিকেট বোল খেত্তুনা বোল টেম্পর তৌবগী থৌদোক অমদি থোকখি। মসিনা মহাক্কী মীংচৎ থীহনখি। কুমজা ১৯৯৬তা ইম্রান খান্না মহাক্কী পোলিটিকেল পার্টি (পাকিষ্টান তেহরিক-ঈ-ইনসাফ) শেমখি অমদি মহাক্না নেসনল এসেমব্লিগী মেম্বর ওইনা কুমজা ২০০২দা ভোট লেপ্পদা মায় পাকখি। কুমজা ২০১৩দা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন্দসু মায় পাকখি। মমৈথংদা কুমজা ২০১৮গী জেনরেল ইলেক্সন্দা মহাক্কী পার্টিনা মেজোরিটি ওইখিবদগী লৈঙাক শেমদুনা মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইখি।

অফ্রিকা মহাদেশকী নোংচুপ থংবা সমুদ্র মপান্দা লৈবা লিবরিয়া অপিকপা লৈবাক অমনি। লৈবাক অসিগী চহী ৫২শুরবা প্রসিদেন্ট জর্জ ৱিহ য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ক্লব এ সী মিলন, মাঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং চেলসিনচিংবা ক্লব কয়াদা শান্নরম্বা নুপানি। মহাক কুমজা ১৯৮৪দগী ২০০৩ ফাওবা খেন্ন-খেন্নবা য়ুরোপকী টিম ১২দা শান্নরমদুনা ফ্রান্স, ইটালি অমসুং ইংলেন্দা মীয়াম্না পাম্বা শান্নরোয়নি। মহাকপু য়ুরোপ্তা অহানবা ওইনা পুরকখিবদি ফ্রান্সকী শান্নরোয় অমসুং মেনেজর ওইরম্বা চার্লেস ৱেঙগরনি। মেনেজর অসিগী মতেংনা মহাক মমিং লৈবা ক্লবশিংদা য়াওবা ফংখি অমদি য়ুরোপ্তা শান্নবদা মমিং য়াম্না চৎখি। মহাক অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্স কৌবা অফ্রিকাদা লৈবা লৈবাকশিংগী ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তা লিবেরিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা অনীরক শরুক য়ারুরে । মহাক লৈবাক অসিগীদমক মেচ ৬০রক শান্নরুরে। মদুদা পাঞ্জল ২২ চনবা ঙমখি। জর্সি নম্বর ১৪ লিৎপা জর্জ ৱিহ কুমজা ২০১৮দা শান্নবদগী পোথাখি। মহাক ৱর্ল্ড কপ য়াওবা ফংখিদবা ফুটবোল হৈবশিংগী মনুংদা অমনি। তৌইগুম্বসুং মহাক অফ্রিকাগী খ্বাইদগী ইকায়খুম্নবা শান্নরোয় অমা ওইরি। খুদম ওইনা পল্লবদা, মহাক কুমজা ১৯৯৫দা ফিফা ৱর্ল্ড প্লেয়র ওফ দি য়র অমসুং মালেমগী ফুটবোল হৈবশিংদা পীবা মনা বেল্লোন দি'ওর হায়বা অদুসু ফংখি। তৌইগুম্বসুং অফ্রিকান ফুটবোল্লর ওফ দি য়র হায়বা মীংথোল অদু চহী মরি পীখি। মহাক্না শান্নবদগী তোল্লবা মতুংদা কোংগ্রেস ফোর দিমোক্রেট চেঞ্জ হায়বা পার্টি অমা শেম্লগা কুমজা ২০০৫দা লিবেরিয়াগী প্রসিদেন্টগী ফম পায়নবা ভোট লেপ্পদা মায়থীখি। চহী তরুক লৈরগা কুমজা ২০০১দা ভাইস প্রসিদেন্টকী ভোট লেপ্পদা মায় পাকখিদে, ৱিনষ্টন টিয়বমেন্না কাখি। অদুবু অকোনবদা কুমজা ২০১৭তা মহাকপু লিবেরিয়াগী প্রসিদেন্ট খনখি। মহাক্কী লম্বাদি হান্না ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা জেসেফ বোকায় কৌবা নুপা অদুনি।

জর্জ রিহনা লৈবাক অমগী হেদ ওফ দি ষ্টেট হায়বদি প্রসিদেন্ট ওইখিবদা মালেম পূম্বদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংনা মহাকপু থাগৎনখি। অদুবু পোর্টুগিজ মচা খরনদি মহাকপু ৱারৌবা লৈরি। মরমদি মহাক্না শান্নবা লোইরবা মতুংদা মখোয়গা লম্বা তৌনরিবা পোরটো ক্লবকী শান্নরোয়শিংগা পূন্না টনেলদা হায়বদি শান্নরোয়শিংগীদমক্তা থম্বা লৈমায় মখাদা শেম্বা লম্বী অদুদা থোকমিন্নরকপদা পোরটোগী শান্নরোয় কোষ্টা কৌবা অমদা কিন্না থিনবদা মনাতোন কায়খি। কুমজা ১৯৯৬কী নবেম্বর ২০দা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মহাক্না হায়বদি মেচ শান্নরিঙৈদা পোর্টুগিজ মচা কোষ্টানা মঙোন্দা কুচু মুবা হন্থবা কাঙলূপনি হায়বদি রেসিষ্টনি হায়না লকনৈ। অদুবু কোষ্টানা রেসিজমগী ৱাফম অদু য়ানীংখিদে। মঙোন্দা শিরিবা মরাল অদুগী মরম য়াওদে হায়খি।

য়ুরোপ ফুটবোলগী মপু ওইরিবা য়ু ঈ এফ এদা জর্জ ৱিহনা শিরিবা মরাল অদু য়াদে, খুদম চাংদম য়াওদে। জর্জ ৱিহনা কোষ্টাদা এপোলোজি তৌ, লাল্লে হায়হন্নীংই। মদুদা পোর্টুগিজশিংনা য়ানীংখদে। মরম অদুনা জর্জ ৱিহ কোর্টতা চৎখি । কোষ্টাগী মনাতোন ওপরেসন তৌখি অদুবু জর্জ ৱিহ কুমজা ১৯৯৬তা ফিফা ফ্যের প্লে এৱাদ ফংখি।◀◀

# খোন্থাং য়ৈদুনা লৈহৌবা অনাবশিংগী খোঞ্জেল

**ডো. সাধনা নিংথৌজম**

ৱর্ল্ড ট্যুবরক্যুলোসিস দেগী থৌরম লোইখ্রবা মতুংসিদা ঙসিসু মল্টি-দ্রগ রেজিষ্টেন্স ট্যুবরক্যুলোসিস (এম দি আর - টি বি) গী লায়েং চথরিবা মীওই খরা অমসুং লায়েংদুনা ফখ্রবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং নাপ্পদা খোন্থাং য়ৈদুনা লৈহৌরি। ইবোবী কৌবা অনাবা অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হেলথ ক্যের প্রোভাইদরশিংবু ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদগী হেন্না লূম্না খঞ্জবগী ৱাফম ফোঙদোক্লমখি। রিভাইস নেসনল ট্যুবরক্যুলোসিস কন্ত্রোল প্রোগ্রাম (আর এন টি সী পি) না অনাবশিংগী খুদোংচাগদবা মওংদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লগা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। ক্যের প্রোভাইদরশিংগী মীৎয়েংখাদা মতম চানা মথৌ তাবা ইনভেষ্টিগেসন তৌবগা লোয়ননা হীদাক-লাংথক পীজবদগী অনাবা অসি নোংমা-নোংমগী ফীভম ফগৎলক্লে।

খ্বাইদগী অহানবা ওইনা কুমজা ২০১২দা পাইলোট প্রোজেক্ট ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা এম দি আর - টি বিগী লায়েং চথবা হৌখিবদা শুপ্নগী চহী অমখক্কী মনুংদা কেস ৩৫ থেংনবা ঙমখি। কেটেগোরি ১ অমসুং কেটেগোরি ২গী লায়েং চথবদা কান্নবা ফংদ্রবশিং অমসুং অনৌবা এম দি আর - টি বিগী মতাংদা থাগদবা হীদাক কয়া থৌরাং তৌদুনা থমখি। হৌজিক এম দি আর - টি বিগী অনৌবা কেসকী প্রিভেলেন্স রেট চাদা ৩ হেনবগা লোয়ননা রি-ট্রিটমেন্ট টি বি কেসকী মনুংদনা চাদা ১৯ হেন্না লৈরে। হান্নদি অনৌবা এম দি আর - টি বি কেসকী প্রিভেলেন্স রেট চাদা ২দগী চাদা ৩ ফাওবা অমসুং রি-ট্রিটমেন্ট কেসকীনা চাদা ১২দগী চাদা ১৭ ফাওবা ওইরম্বনি।

মপূং ফানা লায়েংদুনা ফহনবা ঙমখ্রবা অনাবশিংগী মনুংদা তিলক কৌবা মীওই অমা য়াওরি। মীওই অসি মণিপুরগী মপান্দা লৈরিঙৈদা কুমজা ২০১৩দা লায়না অসি পক্লে হায়বা খঙলকখিবনি। ৱর্ল্ড টি বি দেগী থৌরমদা মীওই অসিনা হায়খি, নুংশিনা লৈমিন্নরিবা মীওইশিং খক্তা নত্তনা লন্নাই নুংঙাইনদবা য়েক্লবশিং অমদি য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংদা ফাওবা লায়না অসি শন্দোকহনখিবা পামদে।

মীওই অসি মণিপুরগী মপান্দা লৈরিঙৈদা এম দি আর - টি বি লৌনরকখিবনি। মতম শাংনা লায়ওং খঙদনা লৈরকপদগী কুমজা ২০১৩দা ন্যু দিল্লিগী এস আর এলদা লায়না অসি চপ চানা কনফর্ম তৌবা ঙমখিবনি। চহী অনী হেন্না মপান লৈবাক্তা হীদাক-লাংথক চাদুনা লায়েংবদা খুদোংচারোই খনবদগী মীওই অসিনা ইম্ফালদা ওইনা লায়েংনবা ফিরেপ লৌখি। ৱাখল অসিনা লমজিং ওইরগা এরোপ্লেন তোংলগা য়ূমদা হল্লক্লবা থৌরাং তৌখি। অদুবু এয়র কন্দিসনগী খুদোংচাবা লৈরবা অমসুং মপানগী নুংশিৎ-নুংশা চঙদবা প্লেন মনুংদা তোংগনি খনবদা অকিবা অমা ফাওখি।

মহাক্না খনখি, করিগুম্বা খঙহৌদনা লোক খুরকপা থোক্লবদি প্লেন মনুংদা তোংমিন্নরিবা অতৈ পেসেঞ্জরশিংদা লায়না অসি শন্দোকখিবা য়াই। মহাক্না ময়ূমদা হনগদবা নুমিৎতা মহাক্কী ফম্ফম অদু প্লেনগী মমাঙ থংবা শরুক্তা ওইরম্মী। মনাক নক্না চহী নৌরিবা অঙাং খরসু ফম্লম্বা থেংনখি। করিগুম্বদা লোক খুনিংলকপদগী লোক খুরকপা থোক্লবদি করিসু খঙজদ্রিবা অমসুং নৌজরিবা অঙাংশিংদা খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা এম দি আর - টি বি শন্দোকখিবা য়াই খনবদগী মহাক প্লেনগী মনীং থংবা শরুক্তা ওইনা ফমখি। কয়াদা থম্মোয় শেংখ্রবা মীশকনো! মীওই অসি লায়েংদ্রিঙৈদা




হকচাংগী অরূম্বা শুপ্নগী কিলোগ্রাম ২৬ খক ওইবগা লোয়ননা কা হেন্না শোল্লম্মী অমসুং ময়াং কংলম্মী।

লায়েং চথরবা মতুংদা মীওই অসিনা থেংনখিবা খ্বাইদগী চাউবা খুদোংচাদবদি থা ৬ চূপ্না নুমিৎ খুদিংগী হীদাক চাবা অমসুং কেনামাইসিন ইঞ্জেক্সন কাপ্পগী মতাংদনি। নোংমাইজিং নুমিৎখক নত্তনা অতৈ নুমিৎশিংদা ইঞ্জেক্সন মখল অসি কাপ্লম্মী। লায়না অসি লায়েংনবগী ইন্টেন্সিব পেরিয়দ থা ৬তগী ৯ ফাওবা অমসুং কন্টিনিয়স পেরিয়দ থা ১৮ পূন্না থা ২৪দগী ২৭ ফাওবা চঙই। মীওই অসি নুমিৎ খুদিংগী হীদাক মখল ১৬ চাবগা লোয়ননা ইঞ্জেক্সন কাপ্পা, হীদাক্কী সাইদ ইফেক্ট অমসুং পূক্লিং-ৱাখল নুংঙাইতবগী অৱাবা মায়োক্লবদা খ্বাইদগী চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। অদুবু হেলথ ক্যের প্রোভাইদর, লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট টি বি প্রোগ্রাম ওফিসর অমদি মহাক্কী টিমনা চেকশিন্না শেন্নবিবগা লোয়ননা কাওন্সেলিং পীবদগী পূক্লিংদা অনৌবা থৌনা অমা লাকখি হায়না মীওই অদুনা ফোঙদোকখি। হোস্পিটালদা থম্নবগী খুদোংচাবা লৈতবনা জেনিমসকী দোটস প্লস কম্মিটি মেম্বরশিং, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট ট্যুবরক্যুলোসিস ওফিসর, দি আর - টি বিগী এম ও অমসুং দোটস প্লস সুপরভাইজরগী মীৎয়েংখাদা এম্বুলেটরি বেসিসতা লায়েংখি।

এম দি আর - টি বি লায়েংগী পাইলোট প্রোজেক্ট পায়খৎপা হায়বসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট টি বি ওফিসর অমসুং মহাক্কী কাঙবুগী অচৌবা শীংনবা অমা ওইখি। মতম শাংনা লায়েংলবা মতুংদা তিলক্কী হকচাংদা লৈরম্বা এম দি আর - টি বিগী অনাবা মপূং ফানা ফহনবা ঙমখি। অনৌবা মপোক অমা পোকপগুম মহাক হকচাং ফগৎলকখি।

মতৌ অসুম্না নুংশিৎতা শন্দোকপা লায়না অসি মণিপুরগী মপান্দা টেক্নিকেল লাইন্দা তম্বা মহৈরোয় অমসু কা অমত্তদা পূন্না লৈমিন্নবা মমান্নবদগী লৌনরকখি। হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকপনা মরম ওইরগা মখা তানা মহৈ তমথবসু ঙল্লমদে । মতমদুদা চপ চাবা লাইওং খঙদ্রবসু চিংনবা পোকপদগী সী বি এন এ এ টিগী খূথাংদা লোক-তিন চাংয়েং তৌবদা এম দি আর - টি বি নারে হায়বা খঙলকখি। মহৈরোয় অসি চহী ২ চূপ্না এম দি আর - টি বিগী লায়েং চথবা হৌখিবগা লোয়ননা হোষ্টেলদা লৈহল্লমদে। সেমিষ্টরগী এগজাম ফাওবা অশানবা য়ুম অমদা লৈরগা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমসুং নর্স অমগী মতেং লৌরগা ফমুংদা অদুমক থাহল্লম্মী। এগজাম লোইরগা য়ুমদা পুরক্তুনা লায়েংবদগী মপূং ফানা ফীভম ফগৎলক্তুনা হোষ্টেলদা লৈরগা লাইরিক মখা তমথহনখি। খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা লায়না অসিগী মতাংদা নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি মীওই অয়াম্বনা মমুৎ তানা খঙনদবগী মতাংদনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা খ্বাইদগী খুদোংথীনীংঙাই ওইবা 'এক্স দি আর - টি বি' হায়না খঙনবা খ্বাইদগী খুদোংথীনীংঙাই ওইবা দ্রগ রেজিষ্টেন্ট ট্যুবরক্যুলোসিসকী কেস অমা থেংনখি। নুপী পেসেন্ট অদু পিক্লিবা অঙাংশিং তাকপী তম্বীবগী থৌদাং লৌরিবা প্রাইমারি টিচরনি। ময়াম চঙদুনা কাওন্সেলিং পীদুনা ৱাখল তাহল্লগা নুপী অদু এক্স দি আর - টি বিগী লায়েং চথহল্লম্মী।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট টি বি ওফিসরনা অনাবা অদুবু ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমসুং হোলেন্দদা বেজ তৌবা এন জি ও - এম এস এফকা খুৎশম্নদুনা চূড়াচান্দপুরগী দি আর টি বি সীদা পুদুনা লায়েংবা হৌখি। কুমজা ২০১২দা এম দি আর - টি বি লায়েংগী পাইলোট প্রোজেক্ট চহী অমা চূপ্না পায়খৎলবা মতুংদা অতৈ অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু চপ মান্নবা মওংদা লায়েং চথনবা অখন্নবা ষ্টাফশিং ত্রেনিং পীবা অমসুং অকক্লবা অঈং-অশাগী চাংদা হীদাক-লাংথক থম্নগী মতাংদা থৌরাং লৌখৎপা হৌখি।

টি বি হায়বসি খঙদোকপা য়াবা লায়না মখল অমা ওইবা মরম্না হীরমসিগী মতাংদা রিপোর্টিং অমসুং রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী মথৌ তাই। কুমজা ২০২৫ ফাওবদা টি বি লায়না লাকশিন্নবগী থৌরাং মায় পাকহন্নবগীদমক মীওই কয়ানা মতেং পাংশিনবা মথৌ তারি। পান্দম অসি ফংনবগীদমক টি বিগী ভেক্সিন অমসু পুথোক্লবা হোৎনরিবনি।

রিভাইস নেসনল ট্যুবরক্যুলোসিস প্রোগ্রাম পায়খৎপদা খ্বাইদগী চঊথোকচনীংঙাই ওইবা তানফমদি রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট অমদি অতৈ ফেকল্টি মেম্বরশিংনা আইদেন্টিফাইদ তৌরবা ৱার্দশিংদা মল্টি-দ্রগ রেজিষ্টেন্ট টি বি লায়েংবগী মতাংদনি। মেন-পাৱর ৱাৎপা মরম্না অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা মীওইবগী মীনুংশিদা য়ূম্ফম ওইরগা থৌরাং অসি লৌখৎনবা হোৎনরি। শীংথানীংঙাই ওইবা থৌরাং অসিমক অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিং, মরু ওইনা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদসু লৌখৎপা মথৌ তারি।

হৌজিক হৌজিকমক অথাপ্পা চীংগী মফম অমদগী নহা ওইবা মীওই অমা জেনিমসকী নোদেল সেন্টর (নোদেল দ্রগ রেজিষ্টেন্ট টি বি সেন্টর) দা এম দি আর - টি বিগী লায়েং চথরি। অনাবা নুপী অসিগী কার্দিও-ভাস্ক্যুলর সিষ্টম, লংস অমদি হকচাংগী ফীভম চাং নাইনা য়েংশিনবদা জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট, চেষ্ট এন্দ রেস্পিরেটরি দিপার্টমেন্ট, লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি তমেংলোংগী দিষ্ট্রিক্ট ট্যুবরক্যুলোসিস ওফিসর অমসুং আর এন টি সী পিগী ষ্টাফনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। মতৌ অসুম্না রিভাইস নেসনল ট্যুবরক্যুলোসিস কন্ত্রোল প্রোগ্রামদা মীয়ামগী য়াইফন্নবা থৌরাং কয়া য়াওরি। চীং অমদি তম্পাক্কী মফমশিংদা খুদোংথীনীংঙাই ওইবা মীওই কাঙলূপশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লগা শেল অমত্তা তিংদনা ইনভেষ্টিগেসন, হীদাক-লাংথক, লায়েংনবগী গাইদ লাইন অমদি মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজনবগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। প্রাইভেট সেক্টরদসু প্রোগ্রামগী খুদোংচাবা ফংহনবগা লোয়ননা টি বিগী কেসশিং রিপোর্ট তৌহন্নবা হোৎনখি। মীওই চাদা ৫০ রোম প্রাইভেট সেক্টরদা লন্নাই ওইনা লায়েংজবা মরম্না প্রাইভেট সেক্টরগী দেটা য়াওদ্রগদি মপূং ফাবা টি বিগী রিপোর্ট ফংবা ঙমলোই। অদুবু প্রাইভেট সেক্টরদা লন্নাই ওইনা লায়েংলিবা মীওই অয়াম্বা শেল-থুমগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরকপা মতমদা মপূং ফানা লায়েং চথদবা মরম্না দ্রগ রেজিষ্টেন্ট টি বিগী কেস হেনগৎলক্লবগী মরম ওইরি। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা আর এন টি সী পি, প্রাইভেট সেক্টর অমদি এন জি ওশিংগী মরক্তা মতেং পীনবগী মথৌ তারি।

মসিগী মরুওইবা মরমশিংদি :-

১) প্রাইভেট সেক্টরদা টি বিগী হীদাক পীনবা।

২) সী বি এন এ এ টিনচিংবা ইনভেষ্টিগেসনগী পেকেজশিং লেম্না ফংহনবা।

৩) অনাবশিংদা শেল তিংবগী চাং হন্থহনবা।

৪) মতম শাংনা টি বিগী লায়েং চথরিঙৈদা মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজনবা শেলগী তেংবাং পীবা।

৫) আর এন টি সী পিগী মরুওইবা ষ্টাফনা প্রাইভেট কেসশিংগী ফোলো-অপ প্রোগ্রাম পায়খৎতুনা চহী ৬ শুদ্রিবা অঙাংশিং স্ক্রিনিং তৌবা। করিগুম্বা অঙাংশিং অদু লায়না পক্লল্লগনা লায়েংবা অমসুং পক্লমদ্রগনা থা ৬ চূপ্না কেমোপ্রোফাইলেক্সিস চথদুনা লায়নাদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা।

৬) টি বিগী লায়েং চথখ্রবা মীওইশিং চহী ২ ফাওবা থা ৬ খুদিংগী য়েংশিন্দুনা রিলাপসকী কেস লাকশিন্নবা হোৎনবা।

৭) টি বি লায়েংগী অনৌবা ইনফোর্মেসনশিং পীদুনা প্রাইভেট সেক্টরগী ষ্টাফ পূম্নমক ৱাখল তাহনবা।

৮) 'নিকশে ভর্জন ১১' হায়বা সোফ্টৱ্যেরদা রেজিষ্টর তৌবা।

মীপূম খুদিংমক অমত্তা ওইনা খুৎশম্নদুনা টি বি লায়না লাকশিন্নবা হোৎনমিন্নবা মতম ওইরে। মীপূম খুদিংমক ৱাখল তাহনবগা লোয়ননা লূ-নানবগী হৈনবী থমদুনা, পোল্যুসন হন্থহন্দুনা বাইওলোজিকেল ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট নীংথিনা পায়খৎলগা হকচাং ফনা লৈরবদি টি বি লায়না মায়োক্লবদা চাউনা মতেং ওইনগনি।◀◀

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৬

১। মৈতৈ লৈবাক্তা থায়নদি মতম তাকপসি তানয়ৈবগী পূংশিংদা চৎলম্মী। মদু ঘড়ীগী পূং নত্তে। মদুবু মৈতৈ পূং হায়না খঙনৈ।
(ক) মিনিট কয়ারোম্না মৈতৈ পূং অমগা মান্নবগে?
(খ) য়ুথক অমা হায়বসিনা মৈতৈ পূং কয়ানা শাবগে?

২। "নমিৎ পাল্লি উদরে, নখূৎ পাল্লি পায়বা য়াদরে।" পরেং অসি মহাকবি অঙাংহলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "শিদুনতা লৈরবা নঙনা/লানগী শাজেল অমুক তৌরিবা?" পরেং অনী অসিনা কবি বিরেন্দ্রজিৎকী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "নুংশিবা! নঙবু ঙাইবদা ঐ ৱারে। ঐ চৎলে কাছারদা ইমাগী মনাক্তা। করিগুম্বা নহাক্না হল্লক্লবদি... খোঙ্গুল লীবিরকউ।" পরেং অহুম অসিনা সনাতোম্বীগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচাদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নোংমদোন অতিয়াদা ঙানবা থাজদি মায়হিং কায়দো, হিড়ম্বা লৈবাক অসিদা ঙাল্লিবা থাজ অসিদি মায়হিং কাদেদো।" অইবা কব্রম্বম নীলকান্তগী উপন্যাস অমদগী লৌথোকপনি। মায়হিং কাদ্রিবা থাজসি কনাবুনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


Affiliation No. 1/96/96-Vol. V
Estd. 2015

# PHOTON SCHOOL

Kwakeithel Thiyam Leikai, Near Water Reservoir, Imphal-01

**A Unique Co-educational Higher Secondary School of Science**

**DIRECT ADMISSION; 45% & Above**

**Admission Opens for Class XI Science 2019-20**

Eligibility : Class X Passed (BOSEM/CBSE)

**Opportunities;**

Rankers : Total Free Education + Hostel + Scholarship
80% & Above : Admission + Monthly fees + Books + Uniform + Coaching free
75% & Above : Admission + Monthly fees + Uniform + Books free
70% & Above : Admission + Monthly fees + Uniform free
60% & Above : Admission or Monthly fees free
55% & Above : Half Admission Free
50% & Above : Uniform free
45% & Above : Direct Admission
Passed : Conditions apply

Entrance Test on; .....
Session starts on; .....

**Subjects Offered:**

1. English 2. MIL/ALT. E. 3. Physics 4. Chemistry 5. Biology 6. Mathematics 7. Computer Science & 8. Home Science

Introducing NEET-JEE class from this Session

For Details, Pliz, Contact Office of the PHOTON SCHOOL, Kwakeithel. / Ph.No. 7005303412/7005588538/7005439898/8837451193

HL-P/6192/9,12,15,18-30



**Baidyaraj Amarjit Maisnam বু আজমা (Asthma) ফহনবগী থাগৎচরি**



Zozam
D/o Julie Vaiphei

ঐগী ইচানুপী Zozam মশাগী চহী অহুমতা ঙাইরিঙৈদগী শাংলবা চহী মঙারোমসি Asthmatic Bronchitis কী Patient ওইরকখি। মহাক মতম চূপ্পদা Inhaler অমসুং allopathy গী লায়েংনা লৈরম্মী। অদুবু মহাক নুমিৎ খুদিংগী শ্বর হোনবা ৱাবা অমসুং লোক খুবগী চৈথেং ফংদুনা লাকখি। মহাক থা অমদা শুপ্নতগী নুমিৎ হুমনি/মরিনিদগী হেন্না মশা নুংঙাইফম খঙলকখিদে। Velore, Hyderabad অমসুং Chandigarh নচিংবা মফমশিংদা খ্বাইদগী অফবা লায়েং পীরবফাওবদা কান্নফম খঙদনা পীক্লিবা ইচাসিনা Asthma গী চৈথেং খাঙনবা হোৎনবদু য়েংবা ঙমখিদে। মমৈথংদদি ইমান্নবা অমগী পাউতাক মতুং ইন্না ঐহাক Baidyaraj Amarjit Maisnam গী (C/o Makhonmani Mongsaba, Uripok Achom Leikai, #: 8794144578, 9401003702) গী মনাক্তা ইচানুপীবু পুদুনা লায়েংখি। য়াম্না অঙকপা অমা ওইনা থা তরুকমুক লায়েংলবা মতুংদা Inhaler শীজিন্নবা লেপখ্রে। মহাক ঙসিদি মমান্নবী অতৈগুম্না হরাও তয়াম্না শান্নবা ঙম্লে। মহাক্কী হান্নগী লোক খুবা, থবাক খেবনচিংবা লেপখ্রে। ঐখোয় তশেংনমক Baidyaraj Amarjit কী মফদা ইচানুপীবু মতম চানা Asthma গী লায়েং পীবিবগীদমক্তা লমন তোনশিঞ্জরে। লোয়ননা অদোমসু মতিক চারবা Baidyaraj অমনা ফংফম থোকপা ঈশ্বরগী থৌজালশিং ফংবিবা ওইসনু হায়না থৌনিজরি। Velore দগী হল্লকপা Chronic Patient খক্তা Cancer, Ulcers, Diabetes, Liver Cirrhosis, Piles, Paralysis, Skin Diseases/ Psoriasis নাবশিংনা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

HL-P/4130/14-22(alt)

*থাগৎচরিবা* - **Julie Vaiphei Zozam** গী মমা


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।